# লালহৌবা য়াওখ্রবা মীওইশিং ময়ূমদা হল্লকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি : মেহবুবা



জম্মু, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):
খূৎলায় পায়দুনা লালহৌবা য়াওখ্রবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নহারোল পূম্নমক ময়ূমদা হল্লকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা ফোঙদোকখ্রে।

জাইস-ঈ-মহমদকী অফজল গুরু স্কৱাদনা হন্দক্তা কাশ্মীর তম্পাক্তা মখল-মখা কয়াগী এটেক চখ্দুনা মীয়ামদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্ল-হনখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, অরানবা লম্বীদা খোঙদাখ্রবা নহারোলশিংবু মহৌশাগী পূন্সিদা অমুক হঞ্জিনহন্নবগী পান্দমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লালহৌবশিং হাৎপগী মহুৎতা হিংনা ফানবা থৌরাং লৌখৎলগনি। অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমা হন্দক্তা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা হিজবুল মুজাহিদীন য়াওখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ক্লাস অমত্তদা তম্মিন্নরিবা মমান্নবশিং য়াওনা মীওই কয়ানা আপিল তৌরিবা মরম্না লালহৌবা য়াওখ্রবা মীওই অদু শোয়দনা হল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংশিং পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নুঙ লংশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরম্বা এফ আই আর পূম্নমক লৌথোকখিবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী মথক্তা এমনেষ্টি লাউথোকখি। এফ আই আর লৌথোকখিবা মরম্না নহারোল লিশিং কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সনগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা লোকল বোদিশিংদা মতিক ময়াই শীন্নদুনা ষ্টেট অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌহল্লগনি।

অমরোমদা, পিপলস দেমোক্রে-টিক পার্টি (পি দি পি)গী এম এল এ আইজাজ অহমদ পিরনা হায়খ্রে মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা টেররিষ্ট পূম্নমক মরৈবাক নীংবা মীওই ঙাক্তনি হায়না লৌফম থোকই।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা মীওই অয়াম্বা চহী নৌরিবা মরম্না মখোয়না তৌরিবা থবক অদুগী অফ-ফত্তা মশানা খঙজদবা তারবসু খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা মীওই অয়াম্বা মরৈবাক নীংবা ঙাক্তনি হায়না লৌফম থোকই।

আইজাজ অহমদ পিরগী ৱাফম অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিনা হায়খ্রে মদুদি, টেররিষ্ট অমদি তোখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা মীওই পূম্নমক কাশ্মীরগী য়েক্লবা ঙাক্তনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মুখটার অবাজ নকবিনা হায়খি, খূৎলায় পায়দুনা মীচম মীয়ামদা খূদোংথীবা থোকহল্লিবা মীওইশিংবু মতৌ করম্না লৈবাক নীংবনি হায়না লৌগদৌরিবনো। য়ূমলোন্নবা লৈবাক্লা খূৎলায় অমদি শেলগী মতেং পাংদুনা নহারোল কয়া নমদুনা লাল হৌবা ওইহল্লি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

পাকিষ্টান আর্মিনা ঙমখৈদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশি-ল্লক্লগা টেররিষ্ট কয়া জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চঙহল্লকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ন আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা টেক্টিকেল ওপরেসন চখ্দুনা পাকিষ্টান আর্মিগী পার্সনেল ১৩৮ হাৎপা ঙমখি।

# এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেস ১৮৬ নৌনা থিগৎনবা এস আই টি শেমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী:
সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি মেম্বর অহুম্না শাবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমদুনা কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেস ১৮৬ নৌনা থিগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

দিল্লি হায় কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিশ এস এন দিঙ্গ্রানা লুচিংবা এস আই টিনা এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেস পূম্নমক নৌনা অমুক থিগৎতুনা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লগনি হায়রি।

এস আই টিদা য়াওরিবা অতোপ্পা মেম্বর অনী অদুদি থবক্তগী পোথাখ্রবা ইন্সপেক্টর জেনরেল রাজদিপ সিংহ অমসুং হৌজিক-হৌজিক আই পি এস ওফিসর ওইরিবা অভিসেক দুলারনি। থা অনীগী মনুংদা এস আই টিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা মার্চ ১৯ দা কেস অসিগা মরী লৈনবা হিয়ারিং চখনবা মতম লেপখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এপেক্স কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, মমাঙদা শেমখিবা এস আই টিনা কেস ১৮৬কী মতাংদা মপূং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চখখিদবগা লোয়ননা রিপোর্ট পীখৎলকখিদে।

পনবা য়াবদি, মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী হাৎখ্রবা মতুংদা থোকখিবা কুমজা ১৯৮৪গী এন্টি সিখ রায়টতা দিল্লি খক্তদা মীওই ২,৭৩৩ শিখিবনি।

অমরোমদা, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা এস আই টিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা কুমজা ১৯৮৪গী এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেসশিং থিগৎপীনবা অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা জগদিশ টাইটলরগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা নেভি ৱার লিক কেস থিগৎপীনবা তকশিনখ্রে।

এস আই টিদা থাবা ৱারোল অমদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, জগদিশ টাইটলরনা শেল অমসুং মতিক-ময়াই শীজিন্নদুনা ৱিটনেস কয়া অচুম্বা ষ্টেটমেন্ট পীহনখিদে হায়বা রিপোর্ট ফংলে। অভিসেক বর্মানা সী বি আইদা পীখিবা ষ্টেটমেন্টতা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা এস আই টিনা অচুম্বা-অরান থিগৎপা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা ঐচ এস ফুলকানা পার্টিগী ফম পূম্নমক থাদোক্লগা কুমজা ১৯৮৪গী এন্টি সিখ রায়টকা মরী লৈনবা কেসশিং থিগৎপদা মপূং ফানা মতেং পাংলগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মশামক সিনিয়র এদভোকেট অমা ওইরিবা ফুলকানা পার্টিগী ফম থাদোক্তুনা চখরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা মতেং পাংবগা লোয়ননা এন্টি সিখ রায়টতা চেন্নবা মীওই পূম্নমক মতিক চাবা মরাল ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ফুলকানা হায়খি, এ এ পিগী ফম পূম্নমক থাদোকপা তারবসু পার্টি অসিগা মখা তানা মরী লৈনখিগনি।

কুমজা ১৯৮৪গী রায়টতা মরাল লৈতবা মীওই কয়া শিহনখিবগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী পান্দমদা মতম খরগী ওইনা পার্টিগী ফম থাদোক্তুনা ইনভেষ্টিগেসনদা মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ছোর্স অমগী মতুংইন্নদি এন্টি সিখ রায়টকী কেসতা কাপিল সিবাল অমদি অতৈ কোংগ্রেস লুচিংবা কয়াগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবগীদমক ফুলকানা পার্টিদগী লাপথোকখিবনি হায়রি।

# বিমল গুরুংনা মমতাগা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী):
গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)গী লুচিংবা বিমল গুরুংনা দার্জীলিংগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীগা ৱারী শাননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

মতম শাংনা দার্জীলিংদা অকনবা ঈহৌ হৌদুনা লাকখিবা জি জে এমগী লুচিংবা অসিনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা খূদোংচাদ-বশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা মমতা বেনর্জীগা ৱারী শান্নবা পাম্মী। অদুমওইনমক তোখায় তানবা ঈহৌ হৌই হায়না শীরকখিবা মরাল অমবুদি মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, নেসনল ইন্টিগ্রিটিদা চেৎনা থাজবা থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা ঈহৌ হৌখিবনি। ইন্দিয়াগী তোখায় তানবা খোঙজং চঙশিনখিবা লৈতে। ষ্টেট পুলিসনা জি জে এম অমদি মসিগী ৱার্করশিংবু য়ূম্ফম য়াওদবা মরাল পীশিন্দুনা ক্রিমিনেল কেস লৌখৎপগী থৌওং য়ানিংদে।

পনবা য়াবদি, তোঙান-তোঙানবা কেস ৩৫০গা মরী লৈননা বিমল গুরুংবু বূক তৌখ্রবা মতুংদা জি জে এমগী লুচিংবসি মতম শাংনা মীরোৎ ওইনা লৈরকখিবনি।

পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা বিমল গুরুংগী মথক্তা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎতনবা পুলিসতা খঙহনখি।

মমতা বেনর্জীগা ৱারী শানদুনা দার্জীলিংগী ৱাথোক লোইশিনহনবা পামব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা গুরুংনা হায়খি, ৱারী শানবা নৎতনা ৱারোইশিন পুরক্লবগী অতোপ্পা লম্বী লৈতবা মরম্না খূদক্তা ৱারী শাননবা ফিরেপ লৌরে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী শরুক খরা খায়দোক্লগা তোঙানবা গোর্খালেন্দ শেম্নবা খোঙজং চঙশিল্লিবা জি জে এমনা বেঙ্গলি মীয়াম্বু হীরম অমত্তদা য়ানিংদবা লৈতে। গোর্খাশিংগী নাৎ অমদি লোল য়োকখৎতুনা থম্নবগী পান্দমদা তোঙানবা গোর্খালেন্দ শেম্নবা খোঙজং চঙশিনবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ওল বোরো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ বি এস য়ু)না গোর্খা-লেন্দগী খোঙজং শৌগৎলদুনা হায়খ্রে মদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা দার্জীলিংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহনবনি। বেঙ্গল গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্টরনা মরম চাবা দিমান্দ নাথৈনবা হোৎনবদগী দার্জীলিংদা ঈ-নাই তাবগী থৌদোক থোকখিবনি হায়না এ ভি এস য়ুগী প্রসিদেন্ট প্রমোদ বোরোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, জি জে এমনা তাল্লিবা মরম চাবা দিমান্দদা অথিংবা পীবগী মহুৎ য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনফম থোকই।

# টামিল নাদুদা বস ষ্ট্রাইকনা মীয়ামদা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে

চেন্নাই, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী:
ট্রান্সপোর্ট য়ুনিয়নশিংনা খূৎশুমল হেনগৎহনবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা টামিল নাদুদা চঙশিল্লকপা মতম কক্তবা খোঙজং নুমিৎ ৮ নি শুখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা মতম খরগী ওইনা দ্রাইভর নেক্লগা ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস তৌহল্লবসু বস অয়াম্বা মপূং ফানা চেনবা ঙমদ্রি।

দ্রাবিদা মুনেত্রা কঝাগম (দি এম কে)গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পালানিসামিদা ট্রান্সপোর্ট ইমপ্লোয়ী-শিংগা খূদক্তা ৱারী শানদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর এম আর বিজয়াভাস্করনা ইমপ্লোয়ীশিং মশাগী মথৌদা হঞ্জিনবীনবা আপিল তৌখ্রবসু খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা খূৎশুমল হেনগৎহন্দ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টরগা উনদুনা খূৎশুমল হেনগৎহনবা অমসুং হান্নগী পীথোক্তনা লৈরিবা খূৎশুমল পীথোকপীনবগী মতাংদা ৱারী শানবদা য়ানবা ঙমদবদগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনিয়নশিংনা মতম কক্তবা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 41/SDC/IW-L/ 2018***

1. Yumnam Jayantakumar Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Naoremthong Bazar.
2. –Do– Lokechandra Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. –Do– (N) Meisnam (O) Sarojlata Devi W/o Meisnam Roshan Singh of Tera Maibi Leirak.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Yumnam Ibopishak Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Naoremthong.

*-O.P. Party*

### ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

The 10/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার য়ুম্নাম ইবোপীশক সিংহ, পীং মৃ: নিংথৌজাও সিংহ, সাং নাওরেমথোংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৭৩, দাগ নং ২৯৩ গী এরিয়া ৪.৪০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি দংকারি নং ১ না ০.৬২, দংকারি নং ২ না ৩.১৬ অমসুং দংকারি ৩ না ০.৬২ পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/4916/12*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 27/SDC/IW(P) of 2018***

(1) Bijendra Meetei Kanghujam, S/o Ibohal Singh of Taobungkhok Awang Leikai (2) Ngamba Kanghujam S/o do of do. (3) K. Ingocha Meetei S/o (L) Kullamani Meetei of do. (4) K. Bimolchand Mangang S/o (L) Kulamani Mangang of do. (5) K. Kamini Singh S/o (L) Tomchou Singh of do. (6) K. Tombi Singh S/o (L) Tomchou Singh of do. (7) K. Total Singh S/o (L) Satrajit Singh of do. (8) K. Sabitri Devi, D/o (L) do of do. (9) K. Shyam Meetei S/o (L) Ibochou Meetei of do. (10) K. James Meetei S/o (L) Inaobi Meetei of do. (11) K. Mohen Meetei S/o (L) Ibochou Meetei of do. (12) K. Tomba Meetei S/o (L) do of do. (13) K. Ibemhal Devi D/o (L) Tomchou Singh of do. (14) K. Binodini Devi D/o (L) K. Tomchou Singh of do. (15) Ng. Rebati Devi D/o (L) K. Tomchou Singh of do. (16) S. Memthoi Devi D/o (L) Kanghujam Tomchou Singh of do.

*... Petitioners*

-Vrs-

1. Late Kanghujam Tomchou Singh S/o (L) Jatra Singh of Taobungkhok.
2. Late do Kulamani Singh, S/o (L) do of do.
3. Late Ibochou Singh S/o (L) do of do.

*... Deceased Pattadars*

### ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

11/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খুৎথাংদা মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: তাহসিলগী খুন নং ৮১-তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ১২৬ (অরিবা), ৪৩৫ (অনৌবা) দাগ নং ৪২২ গী এরিয়া ০.৬৩৭৪৯ একর অঙনফৌগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা দখলগী মতুংইন্না অমদি মৃ: পাট্টাদারশিংগী স্বর্ত্তদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্তা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: কো-পাট্টাদারশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৮/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী হুকুম চখরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/4918/12*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 28/SDC/IW(P) of 2018***

(1) Bijendra Meetei Kanghujam, S/o Ibohal Singh of Taobungkhok Awang Leikai (2) Ngamba Kanghujam S/o do of do. (3) K. Ingocha Meetei S/o (L) Kullamani Meetei of do. (4) K. Bimolchand Mangang S/o (L) do of do. (5) K. Kamini Singh S/o (L) Tomchou Singh of do. (6) K. Tombi Singh S/o (L) do of do. (7) K. Total Singh S/o (L) Satrajit Singh of do. (8) K. Sabitri Devi, D/o (L) do of do. (9) K. Shyam Meetei S/o (L) Ibochou Meetei of do. (10) K. James Meetei S/o (L) Inaobi Meetei of do. (11) K. Mohen Meetei S/o (L) Ibochou Meetei of do. (12) K. Tomba Meetei S/o (L) do of do. (13) K. Ibemhal Devi D/o (L) Tomchou Singh of do. (14) K. Binodini Devi D/o (L) do of do. (15) Ng. Rebati Devi D/o (L) K. Tomchou Singh of do. (16) S. Memthoi Devi D/o (L) do of do.

*... Petitioners*

-Vrs-

1. Late Kanghujam Kulamani Singh, S/o (L) Jatra Singh of Taobungkhok.
2. Late do Ibotombi Singh S/o (L) do of do.
3. Late Tomchou Singh S/o (L) do of do.

*... Deceased Pattadars*

### ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

11/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খুৎথাংদা মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: তাহসিলগী খুন নং ৮১-তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ৩৬৭ (অরিবা), ৪৩৬ (অনৌবা) গী দাগ নং ৪২৪ গী এরিয়া ০.৩৩৭৪৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা দখলগী মতুংইন্না অমদি মৃ: পাট্টাদারশিংগী স্বর্ত্তগী লম্বীদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্তা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: কো-পাট্টাদারশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৮/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎশিং লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চখরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/4918/12*

## Government of Manipur
## Office of the District Project Officer: SSA-Bishnupur
## O/o the Zonal Education Officer, Zone: IV(Bpr)

### NOTICE FOR ADMISSION

Bishnupur, Dated: 11 January 2018

**No. 1/1/2010-SSA(B), KGBV, Pt.II:** Applications in the prescribed form are invited for admission in class (vi) at the Residential School at Laingoubi, Kumbi and the KGBV (Kasturba Gandhi Balika Vidyalaya), Thamnapokpi, Moirang as per details below for the session 2018-19:

| Particulars | For : KGBV, Thamnapokpi, Moirang | For: Residential School, Laingoubi, Kumbi |
|---|---|---|
| Class structure | VI to VIII (fully residential) | VI to VIII (fully residential) |
| Gender Category | Girls only | Co-Education |
| Provisions | (i) Free Lodging &fooding<br>(ii) Free Uniforms, Text Books & study materials etc. | Same as KGBV, Thamnapokpi |
| Application invited for | Class VI (six) only | Class VI (six) only |

2. Preference will be given to children belonging to SC/ST/Minority/OBC and BPL families and who resides in Bishenpur District.
3. Application forms are available free of cost, at and may be submitted latest by 18th January, 2018 to the following office:
(i) Residential School, Laingoubi, Kumbi
(ii) KGBV, Thamnapokpi, Moirang

Sd/- N. Tikendrajit Singh
District Project Officer /ZEO, Zone: IV(Bpr)
SSA, Bishnupur

*HL-P/4917/12*

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ANNEXURE-I

***HIGHER SECONDARY EXAMINATION, 2018***

**PROGRAMME**

*Time : - For Papers of 100/70 Marks - 3 Hours*
*- For Papers of 40/30 Marks - 2 Hours*

| Date/Day | MORNING (From 10.00 a.m. to 1.00 p.m.) | EVENING |
|---|---|---|
| 19-2-2018 Monday | English | X |
| 21-2-2018 Wednesday | *M.I.L.* (Bengali/Hindi/Hmar/Kom/Manipuri/Mao La/ Mizo/Nepali/Paite/Ruangmei/Tangkhul /Thadou Kuki/ Vaiphei/Zou ) *OR* Alternative English | X |
| 23-2-2018 Friday | (i) Geology<br>(ii) Geography | X |
| 26-2-2018 Monday | (i) Physics<br>(ii) Political Science<br>(iii) Accountancy | X |
| 1-3-2018 Thursday | (i) Mathematics | X |
| 7-3-2018 Wednesday | (i) Chemistry<br>(ii) Education<br>(iii) Business Studies | X |
| 12-3-2018 Monday | (i) Biology<br>(ii) History | X |
| 14-3-2018 Wednesday | (i) Anthropology<br>(ii) Economics | X |
| 16-3-2018 Friday | (i) Computer Science<br>(ii) Philosophy | X |
| 19-3-2018 Monday | (i) Physical, Health Education & Sports<br>(ii) Psychology<br>(iii) Biotechnology | X |
| 21-3-2018 Wednesday | (i) Music<br>(ii) Statistics | X |
| 23-3-2018 Friday | (i) Engineering Drawing<br>(ii) Sociology<br>(iii) Thang-ta | X |
| 26-3-2018 Monday | (i) Home Science | X |
| 28-3-2018 Wednesday | *Elective Languages*<br>(i) Bengali<br>(ii) English<br>(iii) Hindi<br>(iv) Manipuri | X |

NOTE:
1. **As per Council Resolution No. 2.1 of the Council Meeting held on 23-12-2017, the extra time of 15 minutes given for reading of Question Paper in Class XI and Higher Secondary Examinations of the Council has been removed w.e.f. the Class XI and Higher Secondary Examinations, 2018.**
2. (a) Institutions shall conduct practical examinations of their own students after obtaining prior approval of the Council and the same shall be conducted w.e.f. 26-3-2018 and be completed on or before the 13-4-2018.
(b) In case of subjects having less than 10 candidates (in an institution), such candidates shall be attached to other institution(s) arranged by the Council.
3. Institutions should submit the detailed programme of the practical examination along with the list of subjectwise internal examiners to the Council Office on or before the 12-3-2018.
4. This issues with the approval of the Council vide Resolution No.2.4, dated 23-12-2017.

Sd/- *Ph. Mantri Singh*
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

*HL-B/4338/12*

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ANNEXURE-II

***CLASS XI EXAMINATION, 2018***

**PROGRAMME**

*Time : - For Papers of 100/70 Marks - 3 Hours*
*- For Papers of 40/30 Marks - 2 Hours*

| Date/Day | MORNING | EVENING ( 1.00 p.m. to 4.00 p.m.) |
|---|---|---|
| 20-2-2018 Tuesday | X | English |
| 22-2-2018 Thursday | X | (i) Statistics<br>(ii) Music |
| 24-2-2018 Saturday | X | *M.I.L.* ( Bengali/Hindi/Hmar/Kom/Manipuri/Mao La /Mizo/Nepali/Paite/Ruangmei/Tangkhul/ Thadou Kuki/Vaiphei/Zou ) *OR* Alternative English |
| 27-2-2018 Tuesday | X | Mathematics |
| 8-3-2018 Thursday | X | (i) Physics<br>(ii) Political Science<br>(iii) Accountancy |
| 10-3-2018 Saturday | X | Home Science |
| 13-3-2018 Tuesday | X | i) Chemistry<br>(ii) Education<br>(iii) Business Studies |
| 15-3-2018 Thursday | X | (i) Engineering Drawing<br>(ii) Sociology<br>(iii) Thang-ta |
| 17-3-2018 Saturday | X | (i) Anthropology<br>(ii) Economics |
| 20-3-2018 Tuesday | X | (i) Biology<br>(ii) History |
| 22-3-2018 Thursday | X | (i) Geography<br>(ii) Geology |
| 24-3-2018 Saturday | X | (i) Computer Science<br>(ii) Philosophy |
| 27-3-2018 Tuesday | X | *Elective Languages:*<br>(i) Bengali<br>(ii) English<br>(iii) Hindi<br>(iv) Manipuri |
| 29-3-2018 Thursday | X | (i) Physical, Health Education & Sports<br>(ii) Psychology<br>(iii) Biotechnology |

NOTE:
1. **As per Council Resolution No. 2.1 of the Council Meeting held on 23-12-2017, the extra time of 15 minutes given for reading of Question Paper in Class XI and Higher Secondary Examinations of the Council has been removed w.e.f. the Class XI and Higher Secondary Examinations, 2018.**
2. Institutions shall conduct practical examinations of their own students after obtaining prior approval of the Council and the same shall be conducted w.e.f. 05-4-2018 and be completed on or before the 25-4-2018.
3. Institutions should submit the detailed programme of the practical examination along with the list of subject-wise internal examiners (two examiners of each subject) to the Council Office at least 5 (five) days before the commencement of the Practical Examination.
4. This issues with the approval of the Council vide Resolution No. 2.4, dated 23-12-2017.

Sd/- *Ph. Mantri Singh*
Controller of Examinations,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

*HL-B/4338/12*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 29/SDC/IW(P) of 2018***

1. Ngangom Somorjit Singh S/o (L) Bihari Singh of Changangei Awang Leikai.
2. Ng. Samarendra S/o (L) –do– of –do–.
3. Ng. Bipinchandra S/o (L) –do– of –do–. *... Petitioners*

-Vrs-

Late Ngangom Bihari Singh S/o Yaima Singh of Changangei.

*... Deceased Pattadar*

### ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

11/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খুৎথাংদা মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুন নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৭৮/৩১৮ (অরিবা), ১২০ (অনৌবা) গী দাগ নং ১৪২৭ গী এরিয়া ০.৪৩৪২ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্তা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৮/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চখরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/4918/12*

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 40/SDC/IW-L/ 2018***

Yumnam Jayentakumar Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Naoremthong Bazar. *-Petitioner*

*-Vs-*

Late Yumnam Ibopishak Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Naoremthong.

*-O.P. Party*

### ꯆꯩꯊꯣꯡ/NOTICE

The 10/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার য়ুম্নাম ইবোপীশক সিংহ, পীং মৃ: নিংথৌজাও সিংহ, সাং উরিপোক নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫০, দাগ নং ১২৯৩ অমসুং এরিয়ানা ১.২৩ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/4916/12*